থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# সুপ্রিম কোর্টপু ইকায়খুম্নদবা আর্মি ওফিসর




অফস্পা হায়রগনা হেন্না পাক্লা-শন্না খঙনরক্লবা, ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খূৎলায় পায়দুনা লান হৌরিবা লালহৌবশিং, অতোপ্পা লোন অমদনা অওনবা পুন্সি অমগীদমক লাম্থেংনরিবা য়াওল্লোয়শিং লাকশিন্নবা, ইন্দিয়ন-আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সকী মীওইশিংদা কা হেনবা অখন্নবা পাঙ্গল পীনবা শেমখিবা আইন (লো) - আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ট, ১৯৫৮, অসিগী মরুমদা ইন্দিয়ন-আর্মদ ফোর্সকী মীওইশিংনা কা হেনবা, তৌহৈদবা থবক কয়া তৌখি হায়বসি ইন্দিয়াগী সুপ্রিম-কোর্ট'না, থেঙলবসু থেঙনা, ঙসিদি খঙবীবগুম তৌরক্লে। হৌরকপদদি অসাম অমসুং মণিপুরদতা চৎনগদবা লো অমগুম 'অফস্পা, ১৯৫৮ (অসাম অমসুং মণিপুর) হায়রম্বদু ১৯৭২দগীদি দিষ্টর্ব ওইরে হায়না লাউথোক্লবা ইন্দিয়াগী মফম অমদা হেক্তা চৎনহনবা য়াবা লো অমা ওইরকখি। কুমজা ১৯৮০দগী মণিপুরগী মফম পূম্নমকসি দিষ্টর্ব ওইরবা এরিয়ানি লাউথোকখিবদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা তমথীরবা লো অসি মণিপুরদা চৎনরক্লি। ইবোবিগী লৈঙাক মতমদা, অকনবা লৈপাক ঈহৌ লাকপদগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াগী এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎ (ৱাংখৈ, য়াইস্কুল, থাঙমৈবন্দ, উরিপোক, শগোলবন্দ, শিংজমৈ অমসুং খুরাই) দগী লৌথোকখিবদু নত্তনা, ঙসি ফাওবা লৌথোক্ত্রি। মতম মতমগী গভর্ণমেন্টনা চহী অমমম শাংদোকহল্লকপনি। ফেক এনকাউন্টর হায়নবা, সিক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ শুকথোক থোক্লদবা, কাপ্পবদা শিবনি হায়রগা হাত্তোকখিবা মীচম অমদি লালহৌবা মশীং, ঙসিদি কনানসু হায়বা ঙল্লরোই। হৌখিবা চহী ৩৮ অসিদা মফম খঙদনা মাঙখিবা, শিখি-নাখি খঙখিদবা, পুলিসতা রিপোর্ট তৌখিবা অমসুং তৌখিদবা, মী মাঙবগী কেস অসি অসুক্কী মতিক য়াম্লম্লনি। অদুগুম্বা, মশীং থিঙমদ্রবা শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিংগী মরক্তা, থৌদোক ১৫২৮ খক, অখন্ননা থিজিন্নবা সুপ্রিম কোর্ট'না সী বি আই'দা য়াথং তৌখিবসি - অচুম্বা ৱায়েল ফংখিদ্রবা, মচা কায়নরবা মমা-মপা খরদদি ফুনগৎলুরবা নিংশা-শ্বর হোনবা ফংবগুম থোক্লমগনি।

কুমজা ২০১৬, জুলাই থাদা সুপ্রিম কোর্ট'না হায়খি... 'আর্মি পর্সনেল অমনা তৌহৈদবা থবক অমা তৌরম্লবা, মরাল অমা লঙশিল্লম্লবদি, মহাকসু চৈরাক ফংফম থোকই ... আইন'না শোকপা য়াদবা, ৱায়েলশঙদা ৱায়েল চত্থবা য়াদবগী আইন অদুদি লৈফম থোক্তে'। কোর্টকী য়াথং অদু মচা কায়নরবা ইমুং চা কয়াগী ৱাকৎ তারবা মতুংদা লাউথোরকপনি। কুমজা ২০১৭, এপ্রিল থাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট'না, সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদু অমুক নৌনা য়েংশিন্নবা খঙহনখি। সুপ্রিম কোর্টকী য়াথংদা সী বি আই'না থিজিল্লিবা কেস ১৫২৮ অসিদি শুপ্পগী ২০০০দগী ২০১২ ফাওবদা থোকখিবা থৌদোক ঙাক্তনি। পি আই এল (ৱাকৎ) অসিনা কোনশিন্দবা মশীং থিঙমদ্রবা থৱায়শিং অদুগী ৱায়েল'দি লাইরৈপাক্কী ৱায়েনশঙদা পাঙথোক্লমগনি।

ঙসি ঐনা পাউদম অসি ইজরুবগী মরম, লৈপাকপোকপা নুমিৎ ওগষ্ট তারিখ ১৪দা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং সী বি আই'না লৌখৎলক্লিবা, ইন্দিয়ন আর্মি, অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিসকী মীওইশিং অদুবু খঙহন্নবা হোৎনরকপসিগী মায়োক্তা, আর্মি পার্সনেল চহুম'মুক্না পুল্লগা কোর্ট অসিমক্তদা অতোপ্পা কেস অমা ফাইল তৌশিনখিবদুগী পাউ তাবদনি। কম্মান্দরদগী তাদবা, সিনিয়র ওফিসরনা পিটিসনর ওইবা কেস অদুদা পল্লিবা ৱারোলশিং অদু তারুবদনি থীন্দনা পাউদম অসি ইনীংলকখিবা। সুপ্রিম কোর্ট'না সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) দা য়াথং তৌখিবদি 'শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্পবনি (ফেক এনকাউন্টরনি) খঙলবা, শিখিবা (হাত্তোকখিবা) মীশক অদুসু মরাল লৈতবনি খঙলবা এনকাউন্টরশিংদুদা চেন্নবা মীশকশিংদুগী মথক্তা, অকক্লবা মতমগী মনুংদা, চার্জ-সিট থাঙ্গৎকদবনি' হায়বনি। য়াথং অদুনা মখোয়বু তূম্বা য়াহল্লম্লোই।

খূৎলায়-পায়বা মীনি/নত্তে হায়বদুসু খঙদ্রিঙৈ, 'ওইরমগনি' নৎত্রগা 'পায়রমগনি' চিংনরে হায়বখক্তদা কনাগুম্বা/কনাগুম্বী অমবু হেক্তা হাত্তোকপা, মখোয়গুম্বা মী খরা লোৎলমগনি চিংনরে হায়বইদমক য়ূম অমদা হেক্তা লান্দাশিনবা, মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনবা য়াহনবা, অদুগুম্বা সিফাই/লান্মীদুগী মথক্তা ৱায়েল চত্থবা য়াহন্দবা/চৈরাক পীবা য়াহন্দবা... অসিগুম্বা লো অমবু কুনমাথোইশুবা চহীচাদা চন্নফম, মফম লৈরিগদ্রা? লৈরম্বসু থোক্লসনু। অদুগুম্বা, লান্মী নৎত্রগা সিফাইদু অকনবা, অথৌবা কৌনীংঙাই মরম লৈবরা? পাউখুম য়াওর' ৱাহংনি। ইন্দিয়া হায়বা লমসিগী 'জন্মু অমসুং কাশ্মীর' অমদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা মথৌ তৌরিবা আর্মি, পেরা-মিলিটরি-ফোর্স, সিফাই- পূম্নমক অদুগুম্বা অখন্নবা পাঙ্গল অমা য়াওদনা মথৌ থৌবা ঙমজদ্রবা 'কর্নেল অমিট কুমার' অমদি কাঙবুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদু ওগষ্ট ২০, ২০১৮দা খন্নগনি।

পিটিসন অদুদা পল্লিবা মরুওইবা ৱাফম খরনি... 'ইন্দিয়াদগী তোঙান তাজরগে হায়না লান হৌরিবা ঙমখৈদা লৈবা ষ্টেটশিং, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, অৱাং-নোংপোক ষ্টেটনচিংবা মফমশিং অসিদা লান্মী-পেরা-মিলিটরি ফোর্সশিংনা মথৌ তৌবা হায়বসি ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা থেংনরোইদবা এক্সত্রা-ওর্দিনেরি-সারকমস্তেন্স কয়া অমা মায়োক্লরগনি... সুপ্রিম কোর্টনা পায়খৎলক্লিবা থৌওং অসিদি য়েক্লবগা লাম্থেংনবগী মনা ওইনা কৈশুমশঙদা নমশিনগে হায়বনি ... মথ্বায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লাম্থেংনরিবা লান্মীশিংবু পূকনিং হনজানহনবনি?...।

অতৈ মরম, শন্দোক-ৱারোলশিং অদু অমুক, শুগাইনা ইজররোই। *'য়েক্লবগা লাম্থেংনবগী মনা ওইনা কৈশুমশঙদা নমশিনগে হায়বনি'* হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিনা তাকই - মখোয়না লমদমসিদা লৈরবা, মরৈবাক্তা মথৌ তৌরবা নত্তে, য়েক্লবশিংগী লৈপাক্তা য়েক্লবগা লাম্থেংনবা লাকপনি হায়বা ৱাখলদুনা মাঙওইনরগা লৈরবনি। ঐখোয়বু মরৈবাক মচা ওইনা উবা ঙমদে। নীংবা থুংদবা অমদগী লমফৈননা চৎখ্রবা মরৈবাকমচাশিং লাকশিনববু 'ফাইটিং দ এনিমি' হায়না ইন্টরপ্রিট তৌরবা, থাজবীয়ু, ফেক এনকাউন্টর মখা চত্থরকখিনি। লান অসি লোইবা নাইরোই। সুপ্রিম কোর্টপু ইকায়খুম্নবা ঙমদ্রবা আর্মি ওফিসর! করম্বা আশানো মখোয়দগী তৌরুদৌবা!

লৌশিং পুক্কে

# য়ু থক্লবদি থুনা অহল ওইশিল্লকই

য়ু থকপনা হকচাংদা থোকহল্লিবা অমাঙ-অতাশিং অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। ময়ামদুগ্গী মরক্তগী অমত্তং লৌখৎপা মতমদা য়ু থকপনা উনসা খুইহন্দুনা মীওইববু চহী মতাংগা চান্নদবা মওংদা থুনা অহল ওইশিলহল্লি হায়রি।

জপানদা লৈবা কোব য়ুনিভর্সিটি গ্রেজুয়েট স্কুল ওফ মেদিসিনগী নারুহিসা য়ামাকিনা হায়খি, য়ুদা লাইচুবা মীওইশিংগী টেলোমের লেংথ হন্থরকই। মদুনা মরম ওইরগা চহী য়ামশিল্লকপগা মরী লৈনবা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ, দাইবেটিস, কেন্সর অমসুং দিমেন্সিয়ানচিংবা লায়নাশিং ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

টেলোমের হায়বসি হ্যুমেন ক্রোমোজোমগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা য়াওবা প্রোটিন কেপনি। মীওই অমা কয়া য়াম্না নহা ওইরিবগে অমসুং হকচাংগী ফীভম কয়া য়াম্না ফরিবগে হায়বদু টেলোমেরগী মখা পোল্লি।

চহী য়ামশিল্লক্তুনা অহল ওইরকপগী মতুং ইন্না টেলোমেরগী শরুক খরা মাংখিবদগী তপ্পা তপ্পা তেনশিল্লকই। অদুবু চহী য়ামশিল্লকপা হায়বসি নত্তবা অতৈ অতোপ্পা মরম খরনসু ফীভম অসি ওইহল্লকপা য়াই।

জপানগী কুরিহামা নেসনল হোস্পিটালদা চত্থখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, য়ু থকপনা মীওইবগী সেলশিং মাঙ-তাকহনবা মরম্না চহী নৌজরবসু অহল ওইহল্লকপনি। চহী নৌরিবা মীওই কয়া থুনা অহল ওইশিল্লকপা য়াওই। অমরোমদা, চহী য়াম্লবা মীওই কয়া নহা অমগী মতৌগুম মশা ইকন-কন্না লৈবা য়াওই।

কুরিহামা নেসনল হোস্পিটালগী অলকোহোলিজম ট্রিটমেন্ট সর্ভিসেসতা লায়েংলিবা মীওই ২৫৫ গী দি এন এ সেম্পলশিং লৌবগা লোয়ননা মখোয়গী য়ু থকপগী হিষ্ট্রি কুপ্না নৈনরম্মী।



নারুহিশা য়ামাকিনা লুচিংদুনা চত্থখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, য়ু তোয়না থকপা হায়বসি টেলোমের তেনশিল্লক্লবগী মরুওইবা মরমনি। হকচাংদা থিয়ামিনগী চাং ৱাৎলগসু ফীভম অসি ওইহল্লকই। মসিনা মরম ওইরগা ন্যুরোন অমসুং শিংলী-নাওরী পুন্নমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দে।

দেনভরদা পাঙথোকখিবা রিছার্স সোসাইটি ওন অলকোহোলিজম (আর এস এ) গী ৪০ শুবা চহীগী সাইন্টিফিক মীটিংদা পুথোরকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অদুনা হায়, হকচাং ফনা পুন্সি নুংশাংনা লৈগে হায়রবদি য়ু পেক অমফাওবা থক্লোইদবনি। কনাগুম্বনা চাং ওল্লগা য়ু খরা-খজিক থকপগী কান্নবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রে। অদুবু য়ু থকপনা অকক্লবা হিরম খরদা পীরিবা কান্নবা অদুদগী মাঙহনবনা শরুক ১০০ হেল্লি হায়রি।

অমরোমদা, ভি এন সী সীগী ৱেলনেস এক্সপার্ট অঞ্জুনা হায়, মীওইবনা চারিবা চীঞ্জাক অমসুং হিংলিবা পুন্সি মহিংনা হকচাং অমসুং পূক্লিং ৱাখলগী ফীভমদা অচৌবা ইথিল পী। নুমীৎ খুদিংগী মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌগদবনি, ৱাখল চরাংনহল্লোইদবনি অমসুং মপুং ফানা পোৎথাগদবনি।

মীওইবগী হকচাংদা য়াওরিবা সেলশিং শিবা নাই। শিখ্রবা মতুংদা অনৌবা সেল অমুক শেমগৎলকই। মসিনা কয়াৎ খুদিংমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহনবগা লোয়ননা পাঙ্গল ময়েং তাহন্দে। মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা, তুম্বা চাবগী মতম নাইদবা অমসুং অয়াম্বা মতমদা পূক্লিং-ৱাখল চরাংনরবদি সেল শিখ্রগা অনৌবা সেল শেমগৎলকপা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরগা পাঙ্গল শোঞ্জিল্লকই অমসুং মনুং মতম চাদনা অহল ওইশিল্লকই।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ কিংদমগী য়ুনিভর্সিটি ওফ বর্মিংহেমদা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি চহী য়াম্লবসু পাঙ্গল কন্না নহা ওইনা লৈহল্লি।

কুইনা পুন্সিরবসু হকচাং ফৎত্রবদি থোইনা কান্নবা লৈতে। পুন্সি চুপ্পা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি পুন্সি শাংবগী মথক্তা চহী য়াম্লবসু নহা অমগুম হকচাং ফনা লৈহল্লি হায়বা য়ুনিভর্সিটি ওফ বর্মিংহেমগী জেনেট লোর্দনা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৫৫ দগীনা ৭৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা এমেচর সাইক্লিষ্ট ১২৫ (নুপা ৮৪ অমসুং নুপী ৪১) দা ষ্টদি চত্থরম্মী। নুপাশিংবু পুং ৬.৫ দা কিলোমিটর ১০০ অমসুং নুপীশিংবু পুং ৫.৫ দা কিলোমিটর ৬০ সাইকল থৌহল্লম্মী। মৈখু শীজিন্নবা, য়ু থকপা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অমসুং অতৈ লায়না লৈবা মীওইশিংদি ষ্টদিদা শরুক য়াহল্লমদে। চাং নাইনা সাইকল থৌহনবা মীওইশিং অদু লেবোরেটরিদা মখল কয়াগী চাংয়েং তৌরবা মতুংদা চাং নাইনা হকচাং লেঙ ওৎপগী থবক তৌদবা মীওইশিংগা চাংদম্নরম্মী। চাং নাইনা সাইকল থৌবা মীওইশিং অদুগী মশল অমসুং পাঙ্গল কন্না অদুম্মক লৈবা থেংনখি। লোয়ননা ফেট অমদি কোলেষ্টরোলসু হেনগৎলক্তে। হেন্না মরুওইরিবা ৱাফমদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরিবা মীওইশিং অদুগী ইম্যুন সিষ্টেম ফনা লৈবা মরম্না অনা-অয়েক অমত্তা য়াওরমদে।

মীওইবদা থাইমস কৌবা কয়াৎ অমা য়াওই। মসিনা টি সেল কৌবা ইম্যুন সেলশিং শেমগৎলি। মীওই খুদিংমক মশাগী চহী ২০ হেক শুবগা থাইমস পীকশিল্লকপদগী টি সেল য়াম্না পুথোকপা ঙমদে। অদুবু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি চহী য়াম্লবসু নহা অমগা চপ মান্নবা মওংদা টি সেলশিং শেমগৎপা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'এজিং সেল' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

# ৱারী লিবা ফেষ্টিবেল লোয়শিনখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট অর্টিসন্স ফোরমনা শীন দুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চত্থরকপা ৱারী লিবা ফেষ্টিবেল ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী সোইবম লৈকায়দা লৈবা ফোরম অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা সীঐচ কোন্দুম, ষ্টেট কালা একাদেমী এৱার্দি, অরুনকুমার থাংজম, প্রোপ্রাইটর অরুন ইন্টরপ্রাইজেস অমসুং ওইনাম প্রিয়োকুমার, প্রসিদেন্ট সিটিজন্স ক্লবনা দেইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নোর্থ ইষ্ট অর্টিসন্স ফোরমগী এদভাইজর কেঐচ নবকুমারনা ফেষ্টিবেল অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মমাংঙৈ ইপা-ইপু হাক্তক্তগী চৎনদুনা লাকপা ৱারী লীবা অসি হৌজিক্তি অসুম অসুম লাপথোকখিবগুম তৌরে। হায়রিবা চৎনবী অসি মাঙখিদনবগীদমক মীয়াম খঙহন্দুনা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা মৈতৈগী, গৌরগী হায়না খায়দোকপা তৌদনা নাকল অনীমক চপ মান্ননা পুখৎলগা পাঙথোকপনি। নুমিৎ মঙানি চত্থরক্লিবা ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা থিমদা ৱারী লিদুনা মীয়ামদা খঙহল্লি হায়খি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মহাভারততা কৌরব পাণ্ডব মচিন-মনাও ১০৫ না গুরু দ্রোনাচার্য্যদা মহৈ তম্বগী অতম্মল কৎপগী মতাংদা দব্লিউ চিংলেন্না ৱারী লিবগী পর্ফোমেন্স উৎখি হায়রি।

# ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মায়োক্তা মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা য়ান্নচে ইনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট ষ্টেট অসিদা চৎনবা য়ারোই, মণিপুরগী ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা ঙমখৈ মচেৎ অমা ফাওবা কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুয়েন্সিগী আর্টিকল ৩৭১ (এ) মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই হায়বা দাবী তৌরদুনা থৌবাল অথোকপমগী মৈরা পায়বীশিংনা ঙরাং থৌবাল অথোকপমগী অকোয়বদা মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে।

অথোকপম মখা লৈকায়দগী হৌখিবা মৈরা খোঙচৎ অদু নেসনল হায়ৱে ফাওবা লাক্তুনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসন মমাং ফাওদুনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ ফাওবা লাকখি। খোঙচৎ অদুদা মীয়াম্না মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, মণিপুরগী অপুনবা শক্তম থুগায়বা য়ারোই, লোঙ লিব মণিপুর অমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট চৎনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি। ৱাকৎ খোঙচৎ অদু পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা চেকশিন্না ঙাক শেনখি।

# সুপ্রিম কোর্টকী জজগী ৱাফম্না ৱায়েলদা অকাইবা পীবা য়ানা লৈরে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি) : এক্সত্রা জুদিসল মীহাৎকী কেসশিংদা প্রোসিক্যুসন মায়োক্লরিবা মণিপুরগী পুলিসকী কম্মান্দো ৬ না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলদুনা হায়খ্রে মদুদি জষ্টিস মদন বি লোকুরনা মখোয়বু অমদি আর্মদ ফোর্সেসকী পার্সনেলশিংবু মীহাৎপশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবনা লাক্কদৌরিবা কেসশিং অসিগী ৱায়েলদা অকাইবা পীবা য়াবগী মওং লৈরে।

হৌখিবা জুলাই ৩১ দা চত্থখিবা সী বি আইগী দিরেক্টর কৌখৎখিবা কেসকী হিয়ারিংদা জষ্টিস মদন বি লোকুরনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা পিটিস্নরশিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজ অসিনা সী বি আইগী দিরেক্টরদা নহাক্কী মতুং ইন্না কেসশিং অসিদা মীহাৎপা ১৪ লৈরে অমসুং মখোয় মণিপুরদা ইকোম কোম্না করিমত্তা নাচুংদনা চৎতুনা লৈরি। মখোয় অমত্তা নখোয়না ফাবা লৈত্রি। অদুদি সোসাইতিদা করি ওইগনি? কনাগুম্বনা রেপ চত্থবা তারবসু মদুদগী করি লৌখৎকদৌরিবনো? সী বি আইনা মহাকপু তৌনিংবতা তৌদুনা কোইচৎ চত্তুনা লৈবা য়াহনগদৌরিবা? হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া হায়খি অমদি হংখি হায়না পিটিস্নরশিংনা এপেক্স কোর্টতা ফোঙদোকখি। ৱাফমশিং অদু সুপ্রিম কোর্টগী জজ অমনা হায়ফম থোক্তে হায়না ফোঙদোক্লদুনা পিটিস্নরশিংনা হায়খি, আর্মদ ফোর্সেস অমসুং পুলিস ফোর্সেসকী মীওইশিংবু মীহাৎপশিং হায়বা অমসুং মখোয়বু রেপিষ্টশিংগা চাংদম্নবনা ফোর্সশিং অসিগী অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মোরেলদা চাওনা শোকহল্লে। মসি লৈবাক্কী সোভরন্টি অমসুং সিক্যুরিটি ঙাকপগী থৌদাং আর্মদ ফোর্সেসকী মেম্বরশিং অসিনা লৌরি অমসুং ইমা লৈবাক অমদি মসিগী সিটিজনশিংগী সেফতি অমদি সিক্যুরিটিগীদমক্তা মখোয়না তোইনা থৱাই ফাওবা থারি হায়বসি ইখঙ খঙদবগী মওংনি।

'হোষ্টাইল ওইবা য়ুমথংনবা কয়াগী মরক্তা লৈবাক অসিগী ফোর্সশিং মোরেল নেম্না, চমম্নমা অমসুং মশাদা থাজবা ৱাৎনা লৈহনবা য়ারোই। অসিগুম্বা থৌওংনা লৈবাক অসিনা লৈরিবসিদা, মসিগী কন্সটিট্যুসন, রুল ওফ লো অমসুং লৈবাক অসিগী ফজবা অমদি মীচঙ-মীখাই নাইহন্দবা মওংগী ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেমদা খুদোংথিবা মায়োক্লহল্লকপা য়াই' ফ্রী অমসুং ফেয়র ত্রাইঅল হায়বসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২১ না এক্যুজ অমদা পীরিবা রাইট টু লাইফকী শরুকনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্টশিং নৌহৌননা পনবগা লোয়ননা পিটিস্নরশিংনা হায়খি মদুদি মশাগীদা খনবা গ্রুপশিংনা মখোয়বু ফেক ইনকাউন্টরশিং চত্থখি হায়না মরাল শিরি তৌইগুম্বসুং সুপ্রিম কোর্টনা তৌবা য়াবদি অচুম্বা ৱায়েল চত্থবা অদুনি। মখোয়না ইশু অসি জজ মঙাগী বেঞ্চতা শিন্নগদবনি অমসুং জষ্টিস লোকুরনা মণিপুরগী এক্সত্রা জুদিসল মীহাৎকী কেসশিংনি হায়বা পিটিসনশিং অসি হিয়ারিং তৌরোইদবনি হায়খি।

# কে এস এগী দিমান্দশিং পীদ্রবদি ওগষ্ট ২৬তা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস): কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না মমাঙদগী তান্দুনা লাকপা দিমান্দ ৫ নুমিৎ ৯নি ফাওবগী মনুংদা লৈবাক মীয়াম খঙনা থবক্তা ওন্থোরক্তবদি য়েলহৌমী কঞ্জনবগী খোঙজং ওইনা থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ১দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা মণিপুর পূম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) গী প্রসিদেন্ট এন চেতন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, য়েলহৌমী মীয়ামগী কাঞ্জুল কঞ্জনবগীদমক লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা লৈবাক্কী মথক্তা থমখিবা দিমান্দ ৫ মরুওইনা থাংমৈবন্দ, শগোলবন্দ, উরিপোক, কাংপোকপী, শুগনু, বিষ্ণুপুর, ৱাংখৈ অমদি জিরিবাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী হৌরগা এ সী খুদিংমক য়েলহৌমীশিংগী রিজার্ভ তৌগদবনি, এন আর সী অপদেট তৌনবা অথুবদা কম্মিসন অমা শেমগদবনি, সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ দা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা চৎনরোই হায়বগী প্রোভিজন অমা হাপকদবনি। সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা য়াওরিবা অঙ্গামি, রালতে, সেমা, সিমতে, সুতে, ধুপি, ধোপি, মুজি, রানিধর, নামসুত্রা, পাটনি অমদি সুত্রধা লৌথোক্কদবনি। কাচা নাগা, এনি মিজো অমসুং এনি কুকি ত্রাইব অসিগী মহুত্তা ময়েক শেংবা ফুরুপকী মমিং ওইনা হাপকদবনি। অশেংবা ফুরুপ লৈত্রগনা লিষ্টতগী লৌথোক্কদবনি হায়না তকশিন্দুনা লাকখিবা অদু থবক ওইনা ওন্থোকপীদ্রবদি জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিনগনি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা মীয়াম্বু অৱাবা পীনবা কৌগদবা নত্তে, গভর্ণমেন্টকী মথোং হুক্তবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা মীয়াম হুপ্না শরুক য়াগে হায়বদু উৎকদবনি। অদুম ওইনমক জেনরেল ষ্ট্রাইক পাঙথোক্লগদি মৈ-ঈশিং, লাইনীং-লাইশোন, প্রাইমারি স্কুলশিং অমদি ইসেন্সিএল সার্ভিসশিংদি কোমথোক্কনি হায়রি।

# 'অপুনবনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস) :হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা ইশুশিংগী ৱারোইশিন পুরকপদা অপুনবগী ঐখোয় পুম্নমক পুন্না হোৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়দুনা তামৈ এ সীগী এম এল এ হৌজিক্লা বি জে পি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট জেদ কিখোনবৌ ন্যুমাইনা ইন্দিপেন্দেন্স দেগা মরী লৈননা টমেংলোং দিষ্ট্রিক্কী তামৈদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংগা মরী লৈননা ফোঙদোকখ্রে।

তামৈ বি জে পি মন্দলনা শীন্দুনা ইন্দিপেন্দেন্স দেগা মরী লৈননা তামৈ পুলিস ষ্টেসন অমদি তামৈ পি ঐচ সী কমপ্লেক্সতা উ চারা থাখি। তুংদা তামৈ হেদ ক্বার্টর য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা তামৈ হেলিপেদতা ওগষ্ট ৩ দগী চত্থরকপা সেকেন্দ আর টেল ফ্রীদম ফাইটর ফুটবোল ট্রোফি লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা টমেংলোং এ দি সীগী চ্যেরমেন ওইরম্বা কে হুমালিয়াবৌ, তামৈ পুলিস ষ্টেসনগী ও সী জোসেপ জিমিকনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কিখোনবৌ ন্যুমাইনা মখা তানা ফোঙদোখিবদা মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক এম য়ু, বোর্দর পিল্লর, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনচিংবা ইশু কয়া লৈরি। ইশু মীয়াম অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। ৱানা হোৎনদুনা ৱারোইশিনগী তাঙ্কক য়ৌরে। ইশুশিং অসিগা মরী লৈননা কনাগুম্বা খরনা লৈঙাক্তা ওনশিন দুনা চৈনবা থৌরাং তৌদুনা লৈবা ৱাইরোইশিন পুরক্লবদি য়াওশিন্দবসি লাইবক থিবনি হায়খি।

স্পোর্টসকী মতাংদা পল্লদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরদা থম্নবা হন্দক ফমখিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পাস তৌদুনা এক্ট শেমখ্রে। য়ুনিভর্সিটি অসিনা থবক হেক হৌরকপগা মণিপুরগী নহারোলশিংনা মালেমগী থাক্তা মশান্না কয়াদা মাই পাকপা ঙম্নবা হোৎনবা য়ারগনি হায়খি।

# নাগা তাবা মফমশিং পুনশিনবগী ৱাফম শৌগৎলি:নৈফ্যু রিও

কোহিমা, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):

নাগা পোলিটিকেল ইস্যুনা পি দি এ গভর্ণমেন্টকী মরুওইবা এজেন্দানি হায়না পল্লদুনা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিওনা হায়খ্রে মদুদি, নাগা তাবা মফমশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী ৱাফম মপুং ফানা শৌগৎলি। হিরম অসিগা মরী লৈননা নাগালেন্দ লেজিসলেটিব এসেমব্লীদা মরিরক হন্না ৱারেপ লৌবা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী ৭২ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগা মরী লৈননা সিবিল সেক্রেটেরিএট প্লাজাদা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎলবা মতুংদা রিওনা হায়খি, নাগা মীয়ামগী অচুম্বা অমসুং দিমোক্রেটিক রাইট ফংনবা হোৎনবদা মপুং ফানা শৌগৎকনি। য়ুম্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংনসু নাগাশিংগী পুৱারী অমদি দিমোক্রেটিক রাইট খঙবীবগা লোয়ননা অমনা অমবু ঈকায় খুম্ননা নুংশিনবা য়ুম্লোন্নবা অমগুম লৈমিন্নবা হোৎনগদবনি।

নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা শাংলবা চহী ২১ ৱারী শানদুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, অথুবা মতমদা নাগা তাবা মফমশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবা হায়বা নাগা মীয়ামগী মঙলান শোয়দনা মঙফাওনরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

নোং কন্না চুবদগী হন্দক্তা ষ্টেট অসিদা থোকখিবা অমাঙ-অতাশিংগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, মীওই ১০ গী পুন্সি মাংখিবগা লোয়ননা লন-থুম অমসুং লম্বী-থোংগী ফীভম অমাঙ-অতা থোকখি। এসোসিএসন ওফ ওফরোদরস নাগালেন্দ য়াওনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংখিবা পুন্নমকপু মহাক্লা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অনী থারক্তুনা খুদক্তা মতেং পাংবীখিবগীদমক্তসু মহাক্লা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মফমদা তৌবীমল খঙবা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি নাগা পোলিটিকেল গ্রুপশিংগী মরক্তা ঈং- তপ্পা পুরক্লবগী মতাংদা চত্থরিবা ৱারী শানবগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, অথুবা মতমদা পোলিটিকেল এফ্যেরস কম্মিটি অমা শেমদুনা ত্রাইবেল হোহো অমদি সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন পুম্নমক্কা খন্ন-নৈনরগা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

মে ১১ দা পাঙথোকখিবা কন্সল্টেটিব মীটিংদা এন এস সী এন (কে) য়াওনা নাগা পোলিটিকেল গ্রুপ পুম্নমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সিজফায়র লাউথোক্লদুনা অথুবা মতমদা নাগা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকহন্নবা হোৎনরগনি হায়বগী ৱারেপ লৌখিবনি।

